# সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মতাংদা কনষ্ট্রক্টিব দিবেটকী মথৌ তাবা লৈ ঃ ভেনকয়া নাইদু



***হায়দরবাদ, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সি)ঃ*** ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকয়া নাইদুনা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অমসুং নেসনেল পোপুলেসন রেজিষ্টার গুম্বা হিরমশিংগী মতাংদা মীয়াম ৱাখল তাহন্নবা হোৎনবা অমসুং কন্ট্রক্টিব দিবেটকী মথৌ তাবা অমা লৈ হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে অমসুং প্রোটেষ্টশিংগী মনুংদা হিংশা চখনবগী মফম লৈহল্লোইদবনি হায়বা অচেৎপা ৱাফমসু ফোঙদোকখ্রে।

সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি এ এ) নৎত্রগা এন পি আর (নেসনেল পোপুলেসন রেজিষ্টার)গী ওইরবসু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মদু করম্বা মতমদা লাক্কনি, করিগী লাক্লিবনো অমসুং মদুনা পীগদৌরিবা শাফু করিনো, মদু মোদিফাইদ তৌনবগী মথৌ তাবা লৈব্রা, মদু ওইরবদি সজেসনশিং অদু করিনো হায়বনাচিংবগী মতাংদা ময়েক শেংনা অমসুং ৱাহন্থোক লৈনা খঙনবগী হক লৈ, কনষ্টিট্যুসনেল হাউসশিংদা, মীফমশিংদা অমসুং মেদিয়াদা হেন্না ফবা ওইহল্লক্নবগী খন্নবা মথৌ তাই। ঐখোয়না মসি খন্নরবদি ঐখোয়গী সিষ্টেম অসি কনখৎকনি অমসুং মীয়াম ৱাখন তাগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মচেৎ ২ খায়দোক্লিঙৈ অপূনবা অন্ধ্র প্রদেশকী লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর এন চান্না রেদিগী হায়দরবাদতা পাংথোকপা মপোক কুমওনগী থৌরম হৌদোক্লদুনা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খি, য়ানিংদবা ফোঙদোকপশিংগী পোক্লিবা অকিবশিং অদু সেন্টরনা শোয়দনমক কোকহনগদবনি। য়ানিংদবা ফোঙদোকপবু য়াবা অসি দেমোক্রেসিদা ফন্দমেন্টেল প্রিন্সিপল অমনি। ঐখোয়না মদু পান্নবসু নৎত্রগা পামদ্রবসু হিরম অদুগী অতোপ্পা নাকন অদু শোয়দনমক তাগদবনি অমসুং মদুগী মতুং ইন্না তৌফম থোকপা থবক অদু চুন্না তৌগদবনি। করিগুম্বা অমগী ঈহৌশিং হৌবা মতমদা হিংশা চখবগী মফমদি লৈহল্লোইদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

লন্নাই মীওইশিংদা অতন্নবা চৈরোইদবনি। পোলিসিশিংবু ফৈ নৎত্রগা ফৎতে হায়না নৈনবা অমসুং য়ানিংদবা ফোঙদোকপা য়াই হায়খি।

# বাংলাদেসতা নিংথম থাগী অঙৈংবগী ৱেবতা মীওই ৫০ শিখ্রে

***ধাকা, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সি)ঃ*** বাংলাদেসকী মফম পূন্নমক্তা অঙৈংবা ৱেদরনা মখা তানা পাকশন্না কুপশিল্লকখিবদা লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫০ শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



চহী অসিগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী নেম্বা ওইনা টেম্পেরেচর অসি বাংলাদেসকী অৱাং থংবদা লৈবা ঙমখৈগী টাউন অমা ওইরিবা টেটুলিয়াদা ঙসি নোংমাইজিংগী অঙনবদা সেলসিয়স দিগ্রী ৪.৫ (ফেরেনহৈদ ৪০.১) ওইখি হায়না ৱেদর ওফিসনা হায়খি।

গৱর্ণমেন্টকী হেল্থ দেরেক্টোরেটকী আয়েসা অখটের কৌবী সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকপদা নবেম্বর ১দগী দিসেম্বর ২৮ ফাওবদা বাংলাদেসকী মফম কয়াদা একুট রেস্পিরেটরি ইনফেক্সনদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৭ অমসুং রোটাভাইরস অমসুং অতৈ লায়নাশিংনা থোকহল্লকপা দায়রিয়াদগী মীওই ৩৩ শিখ্রে হায়খি।

ইনফ্লুয়েনজা, দিহায়দ্রেসন অমসুং ন্যুমোনিয়াগুম্বা ঈংবগা মরী লৈনবা অনাবা মীওইশিংনা হোস্পিটালশিংদা পিক থনখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

শেনথোক নেম্বা মীওইশিং, মরুওইনা লেবররশিংনা মখোয়গী ফিরোল মতিক চাদবনা মরম ওইদুনা অঙৈংবা ৱেদর অসিনা খ্বাইদগী হেন্না থীনা শোকহনখি, অমরোমদনা ন্যুমোনিয়াগুম্বা লায়নাশিং নাগনবা অখন্ননা অঙাংশিং অমসুং অহল ওইরবা মীওইশিংদা শোকহল্লি হায়না আয়েসা অখটেলনা হায়খি।

খমথেংনা ঈংবা নুংশিৎশিং অমসুং অথাবা লৈচিলশিংগা লোয়ননা মথঙ নুমিৎ খরনি ফাওবা লৈবাক অসিদা মখা তানা কোল ৱেব অসি লৈখিগনি হায়না ৱেদর ওফিস অদুনা হায়খি।

অথাবা লৈচিলনা ওথোরিটিজবু ফ্লাইট কয়ামরুম লম্বী থৈদোকপা তাখি অমসুং অতৈ ফ্লাইটশিংনা মতম থেংথখি হায়না এভিয়েসন ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

ঐহাক অতৈ খন্নেংঙাই লৈ, ঐগী ইমুং-মনুং পীজনবা ঐহাক্না তমথিরবা ৱেদর অসিগী খন্দনা থবক তৌবা তাই হায়না বাংলাদেসকী কোনুং ধাকাদা অবদুর রহিম কৌবা রিক্সো পুল্লর অমনা হায়খি। মীয়াম্না মপানদা চৎপা তোকখিবনা পেসেঞ্জরগী মশীংদি য়াম্না শাথিনা হন্থরকখ্রে। ঐগী হকচাং অসি ফমজিনখ্রবগু ঐঙোন্দা ফাওবা মরম্না রিক্সোগী থবক তৌবা অসি ফাওবা খুদোঙথিনিংঙাই ওইরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# রেকোর্দ থুগাইখিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসনগীদমক এম পি শিংগীদমক চাওথোকচৈ ঃ মোদি



***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সি)ঃ*** হৌখিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসন অনীদা রেকোর্দ ব্রেকিং, মহৈ ফংবা ব্যুজিনেসশিং চংখিবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পার্টি পূন্নমক্কী এম পিশিংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং থাগৎখ্রে।

বজেত অমসুং ৱিন্টর সেসনশিং অদুদা তৌখিবা ব্যুজিনেসশিং অদুনা হৌখিবা চহী ৬০গী রেকোর্দস পূন্নমক থুগাইরে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

পার্লিয়ামেন্টতা নখোয়না থারকখিবা মীহুৎশিংনা হৌখিবা থা ৬ অসিদা রেকোর্দস পূন্নমক থুগাইখ্রে হায়বসি ঐহাক্না নাপন তৌনা ফোঙদোকপা পাম্মি।

১৭ শুবা লোক সভাগী সেসন অনীমক য়াম্না কান্নবা অফবা ফল পীবা ওইখি। লোক সভানা ব্যুজিনেসকী চাদা ১১৪, রাজ্য সভানা চাদা ৯৪ লোয়শিনখি হায়না মহাক্না হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা মমাঙগী পার্লিয়ামেন্টকী বজেত সেসনদা থবক্কী চাদা ১৩৫ লোয়শিনখি। এচিফমেন্ট অসিগীদমক এম পি পূন্নমকপু থাগৎপদা মতিক চাই। তৌবা ঙন্নিবা থবক চাং অসিমক ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিগী মপাঙ্গল অমসুং মসিদা থাজবা অদুগী মমিনি।

ঐহাক্না প্রিসাইদিং ওফিসারশিং, পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিং অমসুং এম পিশিংবু মখোয়গী চঙ-থোকপা থৌদাংশিং অদুগীদমক ঐহাক্না নুংঙাইবা ফোঙদোকপা পামজে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তাখি।

# এক্সিদেন্টতা ইন্দিয়ান ৩ য়াওনা মীওই ২৮ ইজিপ্টতা শিখ্রে

***কাইরো, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সি)ঃ*** ইজিপ্টকী সুয়েজ গোবর্নেরেতত টুরিষ্টশিং পুবা বস অনীনা ট্রক অমদা থোমগাইবদা ইন্দিয়ান ৩ য়াওনা মীওই ২৮ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই কয়ামরুম শোকখ্রে হায়না ইন্দিয়ান এম্বেসিনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা কাইরোদা ফোঙদোকখ্রে।

বস অনী অদুনা হুঘাদা কৌবা বীচ-রিসোর্ট টাউন অদু তন্না ঙরাং থাংজ নুমিৎতা লাকখিবদা কাইরোগী নোংপোকতা কিলোমিটর ১২০ লোম লাপ্পা আইন সোখনা টাউন মনাক্তা ট্রক অদুগা থোঙ্গাইনখিবনি।

ইন্দিয়ান এম্বেসি ওফিসিয়েলশিংনা অশোকপা ইন্দিয়ান টুরিষ্টশিং অদুবু সুয়েজ সিটি অমসুং কাইরোগী হোস্পিটালশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে হায়না এম্বেসি অদুনা ত্বিট তৌখি।

# অফগানিষ্টানদা টালিবাননা মিলিটরি বেজ অমা তন্না টন্নেল তৌরগা পোকখায়হনবদা লান্মী ১০ শিখ্রে



***কান্দাহার, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সি)ঃ*** অফগানিষ্টানগী খা থংবা প্রোভিন্স হেলমনদা লৈবা মিলিটরি বেজ অমদা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা চথরকখিবা টালিবান এটেক অমদা অফগান লান্মী ১০ শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রোভিন্স অদুগী ঈরাং কনবা সানগীন দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মিলিটরি বেজ অদুগী মনুং য়ৌনা টন্নেল অমা টালিবাননা তৌখি অমসুং মখোয়গী ফাইটরশিংনা কম্পাউন্দ অদুদা এটেক তৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা টন্নেল অদু পোকখায়হল্লকখি হায়না খা থংবা অফগানিষ্টানদা ২১৫ মাইৱান আর্মি কোরগী ৱাঙাংলোই অমা অমা ওইরিবা নৱাব জদ্রানা হায়খি।

টালিবাননা এটেক চথরকখিবা মতম অদুদা সানগীন মীয়ামগী সেক্যুরিটি পীদুনা মিলিটরি বেজ অদুদা লান্মী ১৮ লৈখি। এটেক অদুদা লান্মী ৪ শোকখি অমসুং লান্মী ৪ অদুনা টালিবান অদুবু থৌনা ফনা খোঙফম হন্দোকহনখি হায়না আর্মিগী ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি।

শিখিবা লান্মীশিং অদু মিলিটরি বেজ অদুগী মনুংদা পোকখায়খিবা অদুদা শিখিবনি হায়না হেলমন প্রোভিন্সকী ৱাঙাংলোই ওমর জাৱাতনা হায়খি।

অফগান মিলিটরি বেজদা চথরকখিবা এটেক অদু মখোয়ননি হায়না টালিবানগী ৱাঙাংলোই জবিনহুল্লাহ মুজাহিদনা ফোঙদোক্লকখ্রে।

অফগানিষ্টানদা থোক্লিবা লান অসি লোয়শিন্নবগীদমক যু এসকা টালিবানগী মরক্তা ৱারি শান্নরিঙৈ অতোপ্পা নিংথম থা অমগসু মায়োক্লনবা অফগানিষ্টানগী অমসুং মীরৈবাক লান্মী ফোর্সশিংনা হোৎনরিঙৈদা টালিবান এটেক অসি চথরকখিবনি।

# করিগুম্বা প্রাইম মিনিষ্টরনা ‘খেলো ইন্দিয়া’ হৌদোকপা লাক্লবদি পাক্তক্লবা প্রোটেষ্ট মায়োক্লগনি ঃ অসাম মহৈরোই লূপ



***গুৱাহাটি, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সি)ঃ*** শেমদোক্লবা সিটিজনসিপ এক্ট অদুগী মায়োক্তা মখোয়গী খোঙজং হেন্না কনশিল্লদুনা ওল অসাম ষ্টুদেন্স যুনিয়ন (এ এ এস য়ু)না ঙসি হায়খ্রে, ষ্টেট অসিগী কোনুংদা জনুৱারি ১০দা ‘খেলো ইন্দিয়া’ গেমস অদু হৌদোক্লবা করিগুম্বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাক্লবদি মীয়ামগী পাক্তক্লবা প্রোটেষ্ট অমা পাংথোক্ক নি।

পাউগী মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এ এ এস য়ু লীদরসিপনা গুৱাহাটিদা জনুৱারি ৫দা ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কাগী মরক্তা শান্নগদৌরিবা টি ২০ মেটচ অমসুং ২০২০গী জনুৱারি ১০দগী ২২ ফাওবা চংগদৌরিবা ‘খেলো ইন্দিয়া’ গেমস অদুদা ওর্গনাইজেসন অসিনা কুপ্না য়েংশিল্লি হায়খি।

সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অদু পাস তৌখিবা মতুং অহানবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরনা অসামদা লাক্লি। ‘খেলো ইন্দিয়া’গীদমক মহাক্না ষ্টেট অসিদা লাকপা তারবদি মীয়ামগী পাক্তক্লবা প্রোটেষ্ট অমা পাংথোক্কনি হায়না এ এ এস য়ু প্রসিদেন্ট দিপাংকা কুমার নাথনা হায়খি।

অদুম ওইনমক মহাক্না ৱাফম অদু শন্দোক্না ফোঙদোকখিদে অমসুং ষ্টেট কেপিটেল অসিদা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদু অরেপ্পা খঙলবা তুংদা খোঙজংগী অকুপ্পা ৱারোলশিং অদু নুমিৎ খরনিদা লাওথোক্লগনি হায়খি।

মোদি অমসুং বি জে পিনা আসামবু মাঙ-তাকহন্নবা থৌরাং তৌরি অমসুং ঐখোয়না তুমিন্না ফমদুনা লৈরোই। সি এ এগী মায়োক্তা চংশিল্লিবা লান্থেং অসি অশাংবা অমনি। ঐখোয়না সুপ্রিম কোর্টতা আইনগী লান অমা থেংনরি অমসুং ঐখোয়গী মসিদা মপুং ফানা থাজবা লৈ।

মসিগা লোয়ন-লোয়ননা দেমোক্রেটিক ওইবা প্রোটেষ্টশিংসু মখা চংখিগনি হায়না মিষ্টর নাথনা হায়খি।

মহৈরোই লুচিংবা অসিনা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দা সোনোৱালদা সি এ এনা ষ্টেট অসিদা মশীং থাবা য়াদবা ইলিগেল হিন্দু বাংলাদেসিশিং কান্নগনি হায়বা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট অদুগী লিখুন ফোঙদোক্লবা দিমান্দ তৌখি।

শেমদোক্লবা সিটিজনসিপ এক্ট অসিনা কান্নহনগদৌরিবা মীওই অদু মশীংদা য়াম্না শিংথানিঙাই ওইদবা ওইগনি অমসুং অশেংবা মীগী মশীং অদু মতম চাবা অমদা ফোঙদোক্কনি হায়না চীফ মিনিষ্টর সোনোৱালনা হায়খিবনি।

ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি লুরিনজ্যোতি গোগোইনসু নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি)দগী ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ইলিগেল হিন্দু বংলাদেসিশিংগী তোঙান তোঙানবা মশীং হায়বগীদমক অসাম ফাইনান্স মিনিষ্টর হিমন্তা বিশ্ব শর্মদা ৱাহং হংখি।

গৱর্ণমেন্ট অসিনা লাক্ষ ৪, লাক্ষ ৫ অমসুং লাক্ষ ১০ হায়না তোঙান তোঙানবা মশীং লান্না হায়জিল্লি। মশীং অসি মখোয়না এন আর সিদগী ফংবনি হায়। মরম অদুনা হিরম অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চংনবা দিমান্দ তৌরদুনা মহৈরোই লুচিংবা অসিনা সুপ্রিম কোর্টনা য়াম্না ময়েক শেংনা এন আর সি ওথোরিটিবু দাটা অমত্তা অতোপ্পদা পীথোক্তনবা অমসুং করিগুম্বা ষ্টেট গৱর্ণমেন্টনা এন আর সিদগী তশেংনমক মশীংশিং অদু হায়বা তারবদি ওফিসিয়েল খরনা দাটা অদু শোয়দনমক খঙহল্লগনি হায়খি।

ঐখোয়না ইলিগেল মাইগ্রেন্ট পূন্নমক্তগী য়েলহৌমী মীয়ামগীদমক সেফগার্দশিং পাম্মি। ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিং অদু হিন্দুরা নৎত্রগা মুস্লিমলা হায়বগী ৱাফম লৈতে। মসিদা লাইনিংগী ৱাফম করিসু লৈতে।

মার্চ ২৪, ১৯৭১গী মতুংদা চংলকপা সুপ্পগী মীওই অমা ফাওবা ঐখোয়না য়ারোই হায়না ওল অসাম ষ্টুদেন্স য়ুনিয়নগী চীফ এদভাইজর সামুজাল কুমার ভত্তচার্য্যানা হায়খি। এ এ এস য়ু লিদরসিপনা জনুৱারি ১৭ ফাওবা ষ্টেট অসিগী মফম পূন্নমক্তা অতৈ ইন্দিজেনস গ্রুপশিংগা লোয়ননা খোঙজং কয়ামুক মথং-মথং চংখনবা লাওথোকখ্রে অমসুং খোঙজংশিং অদুদা মশীং য়াম্না থোক্লক্তুনা য়াওরনবা মীয়ামদা অপিল তৌখ্রে।

# মশাগী চহী ১০৫ শুবদা লৈখিদ্রবী নুপী অমনা কম্ম্যুনিটি কলেজশিংগীদমক দোল্লর মিল্লিয়ন ১০ থম্লমখি

***ৱাসিংটন, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সি)ঃ*** ইভা গোরদোননা মাগী ওরেগোন হায় স্কুলদগী গ্রেজুয়েসন লোয়শিল্লকপদা শেন য়ান্না তাঙখি অমসুং কলেজ তম্নবগী উপাই লৈখিদে অদুবু মহাক্কী পেচেকশিংদগী মহাক্না তুংশিল্লকখিবা পীক্লবা শেনফমবু চহী দিকেদ কয়া ইনভেষ্ট তৌদুনা মহাক্না চংখগদবা মঙলান অদু মপুং ফানবা কম্যুনিটি কলেজ ১৭তা মহৈরোইশিং তম্বা ঙমহন্নবা অচৌবা শেনফম থম্লম্মী।



ইভা গোরদোনদা শাথিনা কল্লবা থম্মোয় অমা পাল্লি অমসুং মীয়ামবু কাখৎপদা তেংবাংনবা থৌরি অমা লংশিনবা পামখি হায়না মহাক্কী গোদসন অমসুং মহাক্কী ইষ্টেটকী রিপ্রজেন্টেটিব অমা ওরিবা জোন জেকোবসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ইভা গোরদোননা মশাগী চহী ১০৫ শুবদা ২০১৮গী জুনদা মহাক্না লৈখিদবা মতম অদুদা নোংচুপ থংবা ৱাসিংটন ষ্টেটতা কম্মুনিটি অমসুং টেক্লিকেল কলেজশিংদা দোল্লর মিল্লিয়ন ১০ রোম থম্লমখি। কলেজ খুদিংমক্কী ফাউন্দেসননা মহৈরোইশিংনা মখোয়গী লৈফম, চখোক-চৎশিন, লাইরিকশিং অমসুং অতৈ মথৌ তাবশিং পীবদা মতেং ওইনবা চাওরক্না দোল্লর ৫০,০০০ রোম ফংগনি।

জেকোবসকী মতুং ইন্না গোরদোননা ফার্ম অমদা চাওরকখি অমসুং মহাক্কী ক্লাসকী মকোকতা হায় স্কুল লোয়শিনখি। মদুগী মতুং মহাক্না সিট্টল ইনভেষ্টমেন্ট ফার্ম অমদা লিগেল সেক্রেটরি অমা ওইনা অমসুং ট্রেনিং এসিষ্টেন্ট অমা ওইনা থবক তৌরকখি।

সিট্টলস টাইমসতা জেকোবসনা ফোঙদোকখিবদা থা খুদিংগী ফংলিবা তলব অদুদগী মহাক্কী গোডমাদরনা ওইল কম্পেনিশিং, সিট্টল য়ুটিলিটি কম্পেনিশিং অমসুং অতৈ ব্যুজিনেসশিংদা সিয়ারশিং মচেৎ-মচেৎ লৈশিনখি। মহাক নোর্দষ্ট্রোম, মাইক্রোসোফ অমসুং ষ্টারবক্সতা মতম ঙনবা ইনভেষ্টর অমসুনি হায়খি।

মহাক্কী নিংবা থুংখিদ্রবা আশা অদুগা লোয়ননা অঙাংশিংগীদমক অমসুং এদুকেসন প্রোগ্রামশিংগীদমক মহাক্কী ভলন্টিয়ার ৱার্ক অদুগা লোয়ননা পূসিন্নরগা কলেজশিংদা মহাক্কী মরন-মথুম অদু কংলন্নবগী মাগী ৱারেপ অদু লৌরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না জেকোবসনা হায়খি।

থা অসিদা লাওথোক্লকখিবা গোরদোনগী পীরল্লিবা খুদোল অসি মখোয়না হেক ফংখিবা খ্বাইদগী চাওবা দোনেসনশিংগী মনুংদগী অমনি হায়না কলেজ ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

# কাশ্মিরগী মতাংদা খন্ননবা ইস্লামিক কোওপরেসন ওর্গনাইজেসননা পাকিস্টানদা মীফম অমা পাংথোক্লবা লেপ্পখ্রে



***ইস্লামাবদ, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সি)ঃ*** ইন্দিয়ান ওকুপাইদ জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ওইরিবা তমথিরবা হ্যুমেন রাইটসকী ফিভম অমসুং এন্টি-মুস্লিম লো অমা চৎনহনখিবগী মতাংদা মীফম অমা ফন্ননবা ওর্গনাইজেসন ওফ ইস্লামিক কোওপরেসন (ও আই সি)না ৱারেপ লৌখ্রে হায়না ঙরাং থাংজগী মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না মিনিষ্টরিয়েল লেবেল ও আই সিগী মীফম অদু ২০২০ এপ্রিদা ইস্লামাবাদতা পাংথোক্লবা য়াই হায়রি।

ওইরক্লিবা অনৌবা ফিভম অসি সাউদি ফোরেন মিনিষ্টর প্রিন্স ফৈজাল বিন ফারহন অল শৌদাগী থা অসিগী অঙনবদা লৈবাক অদুদা চৎপা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎকী মতুংদা ওইরকখিবনি। মহাক্না পাকিস্টানগী মরুওইবা নেসনেল ইন্টরেষ্টশিং, কাশ্মির য়েৎনবগী মতাংদা ও আই সিনা হেন্না চাওবা থৌদাং লৌবা য়াওনা রিয়াদকী অকনবা শৌগৎপা অমা মহাক্না লাহোকখিবনি।

মকোক থোংবা সাউদি দিপ্লোমেটকী পাকিস্টান চৎপা খোঙচৎ অসি রিয়াদনা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবা অমসুং টর্কি, মলেসিয়া, ইরান অমসুং কাতারনা অনৌবা ইস্লামিক ব্লোক অমা শেন্নবা হোৎনরকপা অমনি হায়না খন্দুনা নুংনাংবা ফোঙদোক্লকখিবগী মতুং পাকিস্টাননা শরুক য়াখিদবা হন্দক্তা লোয়শিনখিবা কুৱালা লুম্পুর সম্মিটকী মতুংদা চৎখিবনি।

পাকিস্টাননা নাকন অমত্তদা লেপ্তুনা লৈবা পাম্মি অমসুং মুস্লিম ৱার্ল্ডদা থোং অমগী শক্লোন লৌবা পাম্মি হায়দুনা কুৱালা লুম্পুর সম্মিট অদুদা য়াওদনবা মখোয়গী ৱারেপ অদু ইস্লামাবাদনা ঙাকথোকখি।

ইস্লামাবাদতা পাংথোকদৌরিবা ও আই সিগী মীফম অদুগী ওফিসিয়েল কম্যুনিক অদুনা মরু ওইনা ইন্দিয়ান ওকুপাইদ জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা হক খোঙ্গাওনরিবা অমসুং ইন্দিয়াদা মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা ওইবা সি এ এ পাস তৌখিবা অদু মরুওইনা পল্লবা য়াই হায়রি।

# ন্যুক্লিয়ার এটেক সবমেরিন ৬ শানবা নেভিনা থৌরাং তৌরি

***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সি)ঃ*** ইন্দিয়ান নেভিগী অন্দরৱাটর ফ্লীটকীদমক তৌরিবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা কনভেন্সনেল সবমেরিন ১৮ অমসুং ন্যুক্লিয়ার এটেক সবমেরিন ৬কী ফ্লীট অমা শাগৎনবা নেভিনা থৌরাং তৌরি।



কনভেন্সনেল ৮ অমসুং এস এস এন ৬ (ন্যুক্লিয়ার পৱার এটক) সবমেরিনশিং থৌরাং তৌরি অদুবু হৌজিক লৈরিবা মশীংদি কনভেন্সনেল ১৫ অমসুং এস এস এন ১ লিজদা ফংলিবা অসিনি হায়না ষ্টেন্দিং কমিটি ওন দিফেন্সনা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা পুথোকখিবা মখোয়গী রিপোর্টতা হায়খি।

ন্যুক্লিয়ার মিসাইলশিং পানবা ন্যুক্লিয়ার-পৱার সবমেরিনশিং ওইবা অরিহন্ত ক্লাস এস এস বি এন শিংগা লোয়ননা ইন্দিয়ান নেভিনা ন্যুক্লিয়ার এটেক সবমেরিন ৬ শান্নবা থৌরাং তৌখি।

হায়রিবা ন্যুক্লিয়ার এটেক সবমেরিনশিং অদু প্রাইভেট সেক্টর ইন্দষ্ট্রিশিংগা খূৎশন্নরগা লৈবাক অসিদা ঐখোয় ইশানা শাজনবসু থৌরাং তৌরি।

হৌজিক, নেভিনা কনভেন্সনেল ওইবা সবমেরিনশিংগীদা রসিয়াদগী লৌবা কিলো ক্লাস, জর্মনদগী লৌবা ঐচ দি দবলিয়ু অমসুং খ্বাইদগী নৌবদা ফ্রেঞ্চ স্কোরপেন-ক্লাস সবমেরিনশিং ওপরেট তৌরি। অদুগা ন্যুক্লিয়ার সেকসনগীদনা ইন্দিয়ান নেভিনা রসিয়াদগী আই এন এস চক্র (অকুলা ক্লাস) অমা লিজদা লৌদুনা শিজিন্নরি।

হৌখিবা চহী ১৫দা স্কোরপেন-ক্লাস ভেসেলশিং আই এন এস কালবারি অমসুং আই এন এস খান্দেরি য়াওনা অনৌবা কনভেন্সনেল সবমেরিন ২ খক্তমক হাপচিল্লকখি হায়না নেভিনা কমিটি অদুদা হায়খি।

অমরোমদা হৌজিক লৈরিবা কনভেন্সন সবমেরিন ১৩ অদুসু চহী ১৭তগী ৩১ ফাওবা শুরবা অরিবা ঙাক্তংনি হায়নসু মখা তানা খঙহল্লকখি হায়না ষ্টেন্দিং কমিটি রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

# দিসিপ্লিন থুগাইবগীদমক ময়াবতিনা সিটিজনসিপ লোগী মতাংদা এম এল এ সস্পেন্দ তৌখ্রে

***মোপাল, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সি)ঃ*** শেমদোক্লবা সিটিজনসিপ এক্টকী খ্বাইদগী কন্না য়ানিংদবা লুচিংবা অমা ওইরক্লিবা বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) সুপ্রিমো ময়াবতিনা লৈবাক শিনবা থুংনা এক্ট অসিগী মায়োক্তঃা পাক শন্না প্রোটেষ্টশিং চংখরিঙৈগী মরক্তা লো অদুবু শৌগৎপগীদমক পার্টি এম এল এ অমা সস্পেন্দ তৌখ্রে।

করিগুম্বা পার্টিগী দিসিপ্লিন থুগাইরবদি পার্টিগী এম পিশিং অমসুং এম এল এশিংগী মথক্তা খুদক্তা থবক লৌখৎকনি হায়না ঙসি লুচিংবী অসিনা ত্বিট তৌখি। ঙরাং থাংজ নুমিৎতা মায়াবতি পার্টি বি এস পিগী এম এল এ ওইরিবী রামাবাই পরিহারনা মধ্য প্রদেশকী দামোহা দিষ্ট্রিক্টতা মহাক্কী কনষ্টিট্যুয়েন্সি পথারিয়াদা যুনিয়ন মিনিষ্টর প্রহলাদ পতেলসু শরুক য়াবা থৌরম অমদা অনৌবা সিটিজনসিপ লো অদুদা শৌগৎখি।

ঐহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, প্রহলাদ পতেল অমসুং অমিত শাহবু সি এ এ নান্না পাস তৌখিবগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। মসি য়ান্নগী মমাঙদা লৌরমগদবা অচৌবা ৱারেপ অমনি... অদুবু মমাঙগী মতমদা লৈঙাক পায়রম্বশিং অদুনা অসিগুম্বা ৱারেপ অমা লৌনবগী মতিকচাবা থৌনা লৈখিদে। ঐহাক অমসুং ঐগী ইমুংনা সি এ এ শৌগৎলি হায়না মহাক্না হায়খিবনি।

### সনা-সুদোকু-৩৪৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 7 | 2 | 5 | 1 | 8 | 6 | 3 | 4 |
| 6 | 4 | 1 | 3 | 2 | 7 | 5 | 8 | 9 |
| 5 | 3 | 8 | 6 | 4 | 9 | 2 | 7 | 1 |
| 4 | 9 | 6 | 1 | 7 | 5 | 3 | 2 | 8 |
| 2 | 1 | 5 | 4 | 8 | 3 | 7 | 9 | 6 |
| 3 | 8 | 7 | 9 | 6 | 2 | 4 | 1 | 5 |
| 1 | 2 | 9 | 7 | 5 | 4 | 8 | 6 | 3 |
| 8 | 6 | 4 | 2 | 3 | 1 | 9 | 5 | 7 |
| 7 | 5 | 3 | 8 | 9 | 6 | 1 | 4 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-344**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 2 | | 3 | | | 4 | | 6 |
| 6 | 1 | | | 4 | | | 3 | |
| | | 3 | | 7 | 2 | | 9 | |
| 9 | | | | 6 | | 2 | | 1 |
| 2 | | 6 | 1 | | | | 4 | |
| | 4 | | | 2 | | 6 | | 3 |
| | 9 | 1 | 2 | | | | 6 | |
| 3 | | 4 | | | 1 | 5 | | |
| | | | 4 | | 6 | | 1 | 9 |